**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 06-10-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০৬-১০-২০২৫, নিংথৌকাবা)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**-------**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লালহৌলুপ কয়াগী মীওই অমসুং আইননা য়াদবা থবক থৌরমশিংদা চেন্নবা মীওই কয়া ফাগৎলে।

২) অঙাংশিংদা লোক খুবগী হিদাক পীথকপদা নিতি নিয়ম চুমা পীথকহন্নবা কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রালয়না রাজ্য অমসুং য়ূনিয়ন টেরিটরিশিংদা পাউতাক পীখ্রে। মন্ত্রালয়না থিংখ্রবা কোর্ল্ড ড্রিফ মণিপুরদদি শিজিন্নদে।

**অমসুং**

৩) কেন্দ্রগী মপাল থৌরম মন্ত্রি ডা.এস.জয়সঙ্করনা হায়রি-হৌখিবা চহী খরা অসিদা লান তৌবগী মওং মতৌদা শিংথানিঙাই ওইনা অওনবা উবা ফংলে।

**------**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লালহৌলুপ কয়াগী মীওই অমসুং আইননা য়াদবা থবক থৌরমশিংদা চেন্নবা মীওই কয়া ফাগৎলে। মণিপুর পুলিসকী কন্ট্রোল রুমা থোকপা চেরোল অমনা হায়-বিষ্ণুপুর জিলাগী কৈবুল পুলিস স্তেসননা কোনবা কৈরেনফাবী মনিং লৈকাই এরিয়াদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী এক্তিভ কাদর অমা ফারে। মহাক স্কুল, কোলেজ অমসুং দুকানশিংদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা বিষ্ণুপুর জিলাগী বিষ্ণুপুর পুলিস স্তেসননা কোনবা নিংথৌখোঙ ৱার্দ নম্বর টু এরিয়াদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী সেলফ স্তাইল লেফতনেন্ট অমা ফারে। মহাক সেক্যুরিতি পর্সনেলগী চখোক চৎশিন শেন্নদুনা মহাক্কী পার্তিদা পাউ পীবা মীওইনি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী নাওরেমথোঙ লাইশ্রম লৈরক্তগী কে.সি.পি(পি.দব্লিয়ু.জি)গী এক্তিভ কাদর অমসু মশাগী ময়ুমদগী ফারে। মহাক তম্পাক্কী মফমশিংদা হাংলিবা দুকান অমসুং করবারৱালাশিংদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীওইনি। মঙোন্দগী মেগজিন য়াওবা পোইন্ট থ্রি টু পিষ্টোল অমা অমসুং মোবাইল হেন্দ সেট অমা লৌখৎখি।

অমরোমদা, বিষ্ণুপুর জিলাগী কৈনৌ বজারগী নেসনেল হায়ৱে নম্বর টুদা ফাওদুনা চেল্লিবা গারিশিংদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবনি হায়বা মীওই অনি পুলিসনা ফারে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হৈঙাং পুলিস স্তেসননা কোনবা তোঙান তোঙানবা মফমদগী মীওই অনিদগী লূপা লাক্ষ ৩৮ হেনবা শেনফম অমসুং দব্লিয়ু ৱাই তেব্লেট কে.জি অনি ফারে।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা জিরিবাম জিলাগী মখা বস্তিদা লৈরম্বা আই.ঈ.দি অমা অশোই অঙাম য়াওদনা পোখাইহনখ্রে।

**এআর(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ইম্ফাল ইষ্টকী শঞ্জিবানিদা এক্স সর্ভিসমেন আউটরিচ দ্রাইভ পাঙথোকখ্রে। এক্স সর্ভিসমেন অমসুং মখোয়গী ইমুং মনুংশিং য়াওবা দ্রাইভ অদুদা লেমা লায়েংবগী কেম্প, সম্পর্ভ সেতু এপ রিজেস্ত্রেসননচিংবা পাঙথোকখি।

**হেবিতেট(এল)ঃ** ৱার্ল্ড হেবিতেট ডেগী থৌরম ঙসি পাঙথোক্লি। কুমসি চহীগী হীরমা অর্বান ক্রাইসিস রেস্পোন্স হায়বসিনি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা মীওই খুন্নাই মরক্তা সস্তেনেবল, ইনক্লুসিভ অমসুং রিজিলিয়েন্ট ওইহন্নবা মণিপুর সরকারগী অচেৎপা ফিরেপ লৈ হায়রি। লৈনবা য়ুম নিংথিনা শেমগৎপা ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহনবা অমসুং ইকোফ্রেনলি ওইবা সহরগী লম চাউখৎহন্নবা লমদম অসিবু অশঙবনা পীক থনবা অশোই অঙাম থোক্তবা অমসুং তুংগী মীরোলগীদমক য়েংলগা থবক পায়খৎনবা সরকার অসিনা পান্দম থল্লি।

**ক্লোজিং(এল)ঃ** আর.কে মাইপাকসনাগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা চহী অমা চুপা চত্থরকপা থৌরম ঙসি ইম্ফালগী সি.সি.হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা লোইশিল্লগনি। আর.কে.মাইপাকশনা মেমোরিয়েল ত্রষ্ট অমসুং সি.সি.হায়স সেকেন্দরি স্কুল পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা আর.কে.মাইপাকসনানা ইরন্বা লাইরিক এদ.টু গ্রমার হায়বা মৈতৈ ময়েক্কী এদিসনসু ফোঙগনি।

**হেলথ ঃ** অঙাংশিংদা লোক খুবগী হিদাক পীথকপদা নিতি নিয়ম চুমা পীথকহন্নবা কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রালয়না রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদা পাউতাক পীখ্রে। মধ্য প্রদেশকী চিনদ্বারাদা হু চেল্লবা লোক খুবগী হিদাক থকপদগী অঙাং কয়ামরুম শিখিবা অদুগী মতুংদা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি।

কেন্দ্রগী হেলথ সেক্রেটরি পুনিয়া সলিলা শ্রীবাস্তবানা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমনা দ্রগকী ক্বালিতি ইন্না চৎলিব্রা হায়বদু

য়েংশিনখি। কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রিনা হীরম অসিগী মতাংদা লুমা লৌবগা লোয়ননা রাজ্যশিংগা কুপা খন্নবা তঙাইফদে হায়বা ৱাফম ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। সরকারগী পাউ মতুং ইন্না রাজ্য ৬ কী দ্রগ সুংফম ১৯ দা থিগৎপা হৌখ্রে। রাজ্যশিংনা সরভিলেন্স হেনগৎহন্নবা অমদি খুদোংথিবা থোরকপা মতমদা খুদক্কী ওইবা খুদোংচাবা হেনগৎহন্নবা পাউতাক পীখ্রে। কেন্দ্রগী মীহুৎ কাংবু অমনা থিজিনবদা অঙাংশিংনা থকখিবা লোক খুবগী হিদাক কোল্ড দ্রিফতা দাইথলিন গ্লাইকোল য়াওগদবা চাংদগী হেন্না য়াওবা থেংনরমখি। লোক খুবগী হিদাক মহী অসি তামিল নাদুগী কাঞ্চিপুরমদা শাবনি হায়বা খঙবা ঙম্লে। কম্পনি অসিগী লাইসেন্স ককনবা অমসুং মখোয়গী মথক্তা থবক লৌখৎনবা পাউতাক পীখ্রে।

হকশেল মন্ত্রালয়না থোকখিবা এদভাইজরি অসিগী মতাংদা ববিনা হোস্পিতালগী মেদিকেল সুপরিন্তেন্দেন্ট অমসুং সেনিয়র কন্সলতেন্ট পেদিয়াত্রিক্স ডোক্তর স্যামকুমার লাইশ্রমনা হায়-তামিল নাদুগী কাঞ্চিপুরমদা শাবা লোক্কী হিদাক কোল্ড দ্রিফ অসি মণিপুরদদি প্রেসক্রাইব তৌনদে। দাইথলিন য়াওবা কফ সিরপশিং দোস হেন্না থকপনা হকচাং শোকিঙাই ওই।

**জয়সঙ্করঃ** কেন্দ্রগী মপাল থৌরম মন্ত্রি ডা.এস.জয়সঙ্করনা হায়রি-হৌখিবা চহী খরা অসিদা লান তৌবগী মওং মতৌ অসি শিংথানিঙাই ওইনা অওনবা অমা উবা ফংলে। মহাকা হায়- অনৌবা জগ অসিদা হেন্না চাউখৎলবা খূৎশু খূৎলাই অমসুং টেকোলোজি শিজিন্নবা থেংনরে।

নিউ দেল্লিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শরুক য়ারদুনা ডা.জয়সঙ্করনা হায়-অজরবাইজান অমসুং আরমেনিয়া, য়ুক্রেন অমসুং রসিয়া, ইজরেল অমসুং ইরানগী মরক্তা শোকরিবা লান অদুদা মীগা মীগা ওনশিন্নরগা লান শোকবা নৎত্রে। লানশিং অসিদদি অনৌবা মখলগী খূৎলাইশিং শিজিন্নবা থেংনরে, মসিনা হেন্না শোকহল্লকপা য়াই। ভারত অমসুং অমেরিকাগী লৈনরিবা মরীগী মতাংদা

ডা.জয়সঙ্করনা হায়-লৈবাক অনিগী হৌজিক লৈনরিবা ললোন ইতিক্কী হীরমশিংগী মতাংদা য়াশিন্নবা পুরকবগীদমক নিউ দেল্লি অমসুং ৱাশিংটনগী মরক্তা ৱারি শান্নরি।

**ক্রিকেটঃ** নুপীগী ও.দি.আই ৱার্ল্ড কপ মেটচ অমদা ঙরাং ভারতনা পাকিস্তানবু রন ৮৮ তা মাইথিবা পীখ্রে। শ্রী লঙ্কাগী কোলোম্বোদা লৈবা আর.প্রেমাদাসাস্ত্র স্তেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা হান্না বেতিং তৌখিবা ভারতনা অপীবা ওভর ৫০ দা ৱিকেট ১০ তুরগা রন ২৪৭ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা পাকিস্তাননা ওভর ৪৩ দা ৱিকেট পুমমক তুরগা রন ১৫৯ লৌখি। ভারতকী মথংগী মেটচ সাউথ আফ্রিকাগা লাক্লিবা শগোলশেল নুমিত্তা বিসাখাপতমদা শান্নরগনি।

**ফুটবোলঃ** ছতিসগরগী নরায়নপুরদা চত্থরিবা সেনিয়র ৱিমেন্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর রাজমাদাজিজাভাই ত্রোফিগী গ্রুপ-বি মেটচ অমদা মণিপুর অমসুং অসাম হৌজিক ঙাইহাক্কী মতুংদা শান্নরগনি। গ্রুপ অসিদা অসামনা পোইন্ট ৬ অমসুং মণিপুরনা পোইন্ট ৩ ফংদুনা পোইন্ট তেবলগী অহানবা অমসুং অনিশুবা পোজিসনদা লৈরি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

অনৌবা লৈঙাক অমগী মংলানদা এন.দি.এগী এম.এল.এশিং দেল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে, লিদরনা উনসি য়াদ্রবদি বি.জে.পি এম.এল.এ ওইরুবগী মথৌ তাদে, রিজাইন তৌগনি হায়বা এম.এল.এ স্যামকুমারগী ৱাফম অমসুং থৌবাল জিলাগী রেসিদেন্সিয়েল স্কুল অমদা ৱার্দেননা ফুবদা মহৈরোই ১৫ শোক্লে, পুলিসনা কেস লৌখৎখ্রে হায়বা পাউ অসিনা- সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

লৈঙাক শেমনবা বি.জে.পিগী এম.এল.এশিংনা দেল্লিদা চৎপা হায়বসি য়ামা ইকাইনিঙাইনি হায়বা ওক্রম ইবোবীগী ৱাফম অমসুং লম্লাইগী ঈচাউনা লাকহৎখিবা লৌ পরি লিশিং ১০ রোম ফৌ শাৎপা ঙমদবদগী কোক্তা খূৎ হাপরে হায়বা পাউ অসি- হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

নহারোলগী থৌদাংদনা- ঐখোয়গী মপী মপা ওইরিবা সেন্তরগী লুচিংবশিং এপোইন্টমেন্ট পীয়ু য়াদ্রবদি এম.এল.এদগী রিজাইন তৌবা নত্তনা অতোপ্পা ওপসন লৈতে হায়বা এম.এল.এ টি.ঐচ স্যামকুমারগী ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

চুরাচান্দপুর জিলাদা য়াল্লবা দব্লিয়ু.ৱাই তেব্লেট ফাবগী পাউ অমসুং জেনিমসতা স্তাফ নর্সকী অৱাৎপা খম থেংনা লৈরে হায়বা পাউশিং অসিনা সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

বি.জে.পি এম.এল.এশিং দেল্লিদা চংদুনা সেন্তরগী লুচিংবশিং উনরগনি হায়বা পাউনা- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসন অমসুং মণিপুর মেলদসু তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

পোকফম পাউচেদা- রাইট টু ইনফোর্মেসন ৱিট ২০২৫ পাঙথোকখিবগী পাউ ফোতোগা কোন্ননা অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

মণিপুর বিধান সভাদা লূপা কোতি ২৯ হেন্না লান্না শিজিন্নরে হায়বগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর্স ওফিসনা থিজিল্লগনি হায়বা কংগ্রেসকী লুচিংবা ওক্রম জয়গী ৱাফম অমসুং হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা মেরা হৌ চোংবা থৌরম অসিদা রাজ্য অসিগী য়েলহৌ ফুরুপশিংনা পুন্না শরুক য়ামিন্ননবা আপিল তৌরক্লি হায়বা

পাউ- পিপলস ক্রোনিকলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

সরকারনা মণিপুরগী অহানবা মোদেল রুরেল হেলথ রিসর্চ য়ুনিট সেনাপতি জিলাদা শানবা ৱারেপ লৌরকপবু টি.ৱাই.সি.এমনা হৢাউবা ফোঙদোক্লি হায়বা পাউ অসিনা- গানফিউ মেলগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

মধ্য প্রদেশতা কফ সিরপ কোল্ড রিফ থক্লুবদগী অঙাং ১১ শিরে হায়বা পাউনা- তামেংলোং তাইমসকী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**